
# সাউথ চাইনা সীগী ৱাহৌদগী চাইনানা ভিয়েটনামগা হকথেংননা উনবগী প্রোগ্রাম কেন্সেল তৌখ্রে

মনিলা, ওগষ্ট ০৭ :
সাউথ চাইনা সীগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম্না মরম ওইদুনা চাইনাগী ফোরন মিনিষ্টর ৱাং য়িনা মনিলাদা মহাক্কী ভিয়েটনামগী লেংমান্নবগা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হকথেংননা উনবগী প্রোগ্রাম অরোইবা মীকুপ্তা কেন্সেল তৌখ্রে হায়না ওইরক্লিবা ফিভমদুগী মরমদা নোলেজ লৈবশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



এসোসিয়েসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিঅন) গী ফোরন মিনিষ্টরশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিংদা ফোংখিবা কম্যুনিকে অমগী ৱাহৈ-ৱাতাশিংদা চাইনানা পেন্দবদগী ভিয়েটনামগী ফোরন মিনিষ্টরগা ৱারী শানবা তোক্নবগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

কম্যুনিকে অদুনা সাউথ চাইনা সীগী য়েৎনরিবা ঈথৎশিং চাইনানা পায়শিন্নবা হোৎনরকপগী ফিভমদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি হায়না মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা মীওইশিংদুনা হায়খি। ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অদুদা ভিয়েটনামনা ৱাহৈ-ৱাতাশিংদু য়াওহন্নবা প্রেসর পীখি হায়না চাইনানা লৌই হায়না মীওইশিংদুনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি মদুদি, য়েৎনরিবা এরিয়া অদুদা লম কয়া পায়শিল্লকপা অমসুং তৌহন্নিংদবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলকপগী ফিভমদা অসিঅনগী ফোরন মিনিষ্টর ১০ গী মনুংদা খরনা নুংনাংবা লৈ। মফম অদুদা পায়খৎলিবা থবকশিং অদুনা থাজবা কয়া মাঙহল্লে, লমদম অদুদা টেন্সন হেনগৎহল্লে লোয়ননা লমদম অদুগী পিছ, সিক্যুরিটি অমসুং ষ্টেবিলিটিদা অকায়বা পীগনি।

চয়োল অসিদা মনিলাদা পাঙথোক্লিবা মীফমশিংদা শরুক য়ারিবা লৈবাক ২০ হেনবগী ডিপ্লোমেট মকোকশিংগী মনুংদা ভিয়েটনামগী ফোরন মিনিষ্টর ফাম বিন মিনসু য়াওরিবনি। মনিলাদা লাক্লিবা চাইনিজ ডেলিগেসন অদুগী স্পোক্সমেন অমনা টোপ ডিপ্লোমেটশিংনা অমগা অমগা হকথেংননা উনবশিংদনা মখোয়না হীরম কয়াগী মতাংদা খন্ননবগী তাঞ্জা লোইবা নৎতে হায়খি। মিনিষ্টর অনীমক চাইনাগা অসিঅনগী মিনিষ্টর ১০ গী মরক্তা পাঙথোকপা মীফম য়াওনা মনিলাদা পাঙথোকপা অতৈ মল্টিনেসনেল মীফমশিংদসু শরুক য়াখিবনি।

‘মখোয়নি হান্নবা উনখ্রে’ হায়না চাইনিজ ডেলিগেসনগী স্পোক্সমেননা মখা তাবা কম্মেন্ট পীদবীদা হায়খি।

মীফম অদুগী মতাংদা ফেক্সতা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম ভিয়েটনামগী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা খুদক্তা পীরকখিদে।

# থবক তোকউ য়াদবগীদমক্তা পাকিস্টানি নুপা ১না লোয়নবীবু মঙক কক্তুনা হাৎখ্রে

*ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ০৭ :*
*পাকিস্টানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সতা নুপা অমনা থবক চৎপা তোকউ হায়বদা য়াদবী মহাক্কী চহী ৩৭ শুরবী লোয়নবীবু মঙক কক্তুনা হাৎখ্রে হায়না মীদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।*

*সামকে রোতিয়ন কৌবা মফম অমদা লৈবী নশরীন কৌবী অঙাং অহুমগী মমা অদু মহাক্কী মচাশিং অমসুং য়ূম্লোন্নবশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা লাহোর সিটিদগী কিলোমিটর ৪১ লাপ্পা মাঙ্গা মন্দিদা লৈবা মহাক্কী ময়ূমদা শিদুনা লৈরম্বা থেংনখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।*

*পুলিসকা লোয়নরিবা ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিংনা ক্রাইম থোকফমদুদগী ইভিদেন্স খোমগৎখি, উহৌবশিংগী ৱারোলশিং রেকোর্দ তৌখি অমসুং তুংদা অশিবা হকচাংদু ওটোপসি পাঙথোক্নবগীদমক্তা সিটিগী মোর্গতা পুখি হায়না দোনগী পাউনা হায়খি।*

*অহানবগী ইনভেষ্টিগেসনদা নুপী অদু মহাক্কী মপুরোইবা অফ্রাইননা ইমুংগী ইকাইখুম্নবা কন্নবা হোৎনবগী মীংদা হাৎখিবনি হায়বসি উবা ফংলে হায়না সাদর ডিভিজন পুলিসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট মাহর মমতাজনা ফোঙদোকখি।*

*মহাক্না হায়খি, নুপী অদু রাইৱিন্দ এরিয়াদা লৈবা ফেক্টরি অমদা শিন্মী অমা ওইনা থবক শুরমই, তৌইগুম্বসুং মহাক্কী মপুরোইবনা মহাক্কী থবক্তু পামখিদে অমসুং থবক্তু থাদোক্নবা হায়খি। মপুরোইবনা য়াদ্রবসু নশরীননা মখা তানা থবক শুখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।*

*ওফিসল অদুনা লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মচাশিংগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, নুপী অদুনা তুমদুনা লৈরিঙৈদা মপুরোইবনা কাদু থোং লোনশিল্লগা মখোক তেনবা শীংজং অমনা মঙোন্দা এটেক তৌখি।*

*মীহাৎপনি হায়না চিংনরবা নুপাদুনা য়ূমদু থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মতুংদা অঙাংশিংদুনা য়ূম্লোন্নবা খরগী মতেংগা লোয়ননা কাদুগী থোং হাংদোকখি অমসুং নুপী অদু মশাগা মকোক্কা শম্নদনা লৈরমখি হায়না দোননা ওফিসল অদু পল্লদুনা ফোঙদোকখি। নুপী অদুগী মপুরোইবদু ফাননবা কোইথী থিবা হৌখ্রে হায়না ওফিসল অদুনা মখা তাখি।*

# রশিয়ানা অমেরিকান ডিপ্লোমেটশিং তান্থোকপগী পাউখুম য়ু এসনা সেপ্টেম্বর ১ ফাওবগী মনুংদা পীরগনি



মনিলা, ওগষ্ট ০৭ :
অমেরিকান ডিপ্লোমেট চা কয়া তান্থোক্নবা রশিয়ানা লৌরক্লিবা খোঙথাংদা করম্না পাউখুম পীগদগে হায়বসি ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লেপত্রি, তৌইগুম্বসুং সেপ্টেম্বর ১ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম অমা পীনবা থৌরাং তৌরি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সেক্রেটরী ওফ ষ্টেটনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ফিলিপিন্সতা রশিয়াগী টোপ ডিপ্লোমেটকা ফম্নিন্নরবা মতুং মথংগী নুমিৎতা টিলরসননা হায়খি, কোংগ্রেসনা পাস তৌখিবা অমসুং প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা সাইন তৌখিবা অনৌবা সেঙ্কসনশিংগী মতুং হৌখিবা থাদা ক্রেমলিননা লমন খুম্বগী খোঙথাং লাউথোকখিবদুগী মরমদা শেংদোরক্নবগী ৱাহং কয়া মহাক্না হংখ্রে। মোস্কোগী পাউখুম অদুনা রশিয়াদা য়ু এসকী ডিপ্লোমেটশিং লৈবগী ফিভমদা করম্বা মওংদা শোকহল্লক্কদগে হায়বদু লেপথোক্নবা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা ৱানা হোৎনখি। মোস্কোগী খোঙথাং অদুনা ন্যুক্লিয়র খুৎলাইশিং লৈনরবা পৱারশিংদুগী মরক্তা লৈনরিবা পুক্লিং থৌগৎনিঙাই ওইদবা মরী অদু অহেনবা চৈথেং ফংবা য়াবগী ফিভম লৈরিবনি।

রশিয়ানা অকনবা খোঙথাং অমা লাউথোক্তুনা লৈবাক অনীগী মরীদা হেন্না খুরৌ থাংলকপা য়াবগী মওং লৈদুনসু রশিয়ন ফোরন মিনিষ্টর সর্গে লভরোভনা মীফম অদুদগী থোক্লক্লগা নোর্থ কোরিয়া, সিরিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকা মখা তানা ইনগেজ তৌনবা রশিয়ানা শেম-শাদুনা লৈ হায়না লাউথোকখি। টিলরসনগী মায়কৈদগীসু চাওরাক্না মান্নবা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা হায়খি, ৱাফম খরগী মতাংদা কন্না য়ানদবগী ফিভম খরা লৈদুনসু লৈবাক অনীনা খন্নগদবা অরুবা নেস্নেল সিক্যুরিটি ইস্যূশিং লৈ।

অনৌবা সেঙ্কসনশিংদু লাউথোকখিবা মতুং লভরোভকা অহানবা ওইনা উনরবা মতুংদা টিলরসননা হায়খি, ইসূ অমখক্না মরম ওইদুনা খূদিংমকপু ককথৎপা হায়বসি কান্নরোই হায়না ঐহাক্না খল্লি। ‘লৈরিবসি য়াম্না চাউবা লৈবাক অনীনি অদুনা ঐখোয়না পূন্না থবক তৌমিন্নবা য়াবা মফমশিং পুথোক্কদবনি, ঐখোয় পূন্না থবক তৌমিন্ননবা হোৎনরসি। ঐখোয়গী মরক্তা হিরম খরদা খেন্নবশিং লৈরবসু ঐখোয়না মখোয়দু লৈখাই তাথোক্নবা মখা তানা হোৎনখিগনি।’

চহী কয়ামুক অশেংবা প্রোগ্রেস অমৎতা লৈরকখিদ্রবা য়ুক্রেনগী ক্রাইসিসকী মতাংদা রিজোলুসন অমা পুরক্নবা ৱারী শানবা হৌবগী ৱাফমদা রশিয়াগী মায়কৈদগী য়ানিংবা খরা উৎলকপসু লৈ হায়নসু টিলরসননা ফোঙদোকখি। ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা মসিগী য়ুক্রেন নেগোসিয়েসন্সকী অখন্নবা অনৌবা পাউখোলোইবু মোস্কোদা মথংগী খোঙথাংশিং খন্ননবা থানবা লেপখ্রে হায়না লভরোভনা লাউথোকখিবা মতুংদা টিলরসননা ৱাফমশিংসি ফোঙদোরকখিবনি।

# টালিবানগা আই এসকা খূৎশম্নরগা মীচম ৫০ হাৎখ্রে

কাবুল, ওগষ্ট ০৭ :
টালিবান অমসুং ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা পূন্না খূৎশম্নরগা অফঘান ভিলেজ অমগী মীচম দজন কয়া পাক্তক্ননা হাৎখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। থৌওং অসিনা লালহৌবা গ্রুপ অনীসিগী মরক্তা য়াম্না তাংনা থোকপা থৌদোক অমা ওইনা কোওপরেসন পীনবগী মওং লৈরে হায়বসি উৎখ্রে। খোঙথাং অসিনা অফঘানিষ্টানগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা অহেনবা পোৎলুমশিং হাপকৎলগনি হায়রি।



হৌখিবা থাংজদা নোরদর্ন সার-ঈ পুল প্রোভিন্সকী মনুং হঞ্জিনবা সয়াদ ডিষ্ট্রিক্টতা ফাইটরশিংদুনা নুপা, নুপী অমসুং অঙাং পূন্না মীওই ৫০ হেন্না হাৎখি। গ্রুপ অনীগী ফাইটরশিংদুনা অফঘান লোকল পুলিস (এ এল পি) হায়না খঙনবা গভর্নমেন্টনা শৌগৎপা মিলিসিয়াগা পূং ৪৮ লাল শোক্নরগা মখোয়বু লাকহৎলবা মতুংদা মীচম ৫০ হেনবদু পূল্লপ ওইনা হাৎখিবনি হায়না লোকল ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। ‘‘মদু দৈইশ (আই এস) অমসুং টালিবান ফাইটরশিংগী অপূনবা ওপরেসন অমনি। মখোয়না লৈবাক অসিগী অতৈ প্রোভিন্সশিংদগী ফোর্সশিংসু রিক্রুট তৌখি অমসুং মির্জৱোলাং ভিলেজদা এটেক তৌখি’’ হায়না সাবিহুলাহ অমানি কৌবা প্রোভিন্সল গভর্নরগী স্পোক্সমেন অমনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

সের মোহম্মদ ঘজনফর কৌবা আই এসপু শৌগৎপা টালিবানগী লোকল কম্মান্দর অমগী মখাদা টালিবান অমসুং আই এস গ্রুপকী ফাইটর দজন কয়ানা শগোলশেন নুমিৎতা এরিয়া অদুদা কোওর্দিনেটেদ এটেক অমা চৎখি হায়না স্পোক্সমেন অদুনা ফোঙদোকখি।

ফাইটরশিংদু এরিয়া অদুদা থোমজিনখি অমসুং মখোয়না য়াম্না তমথীবা মওংদা মরাল লৈজদ্রবা অমসুং কনামক্তনা ঙাকপী-শেনবীবা লৈত্রবা মীচমশিংদু হাৎখি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না হায়খি মদুদি, মীওই অয়াম্বা নোংমৈনা কাপ্পগা হাৎখি তৌইগুম্বসুং মীওই খরদি মঙক কক্লগা হাৎখি।

মোহম্মদ নূর রহমানি কৌবা সার-ঈ-পুলগী প্রোভিন্সল কাউন্সিলগী মকোক্না হায়খি, ভিক্টিম ৫০ গী মনুংদা ৪৪ দি মীচমশিংনি হায়না থাজনখি লোয়ননা এ এল পি মিলিসিয়াগী মীওই খরসু হাৎখি। ‘‘মসি অরোইবা ওইনা পীবা অশিবশিংগী মশিং নৎতে। মফমদু চঙথোক-চঙশিন তৌবদা খুদোংচাদবা অমসুং টেলিফোন নেটৱার্ক অমৎতা অপদেট তৌবা য়াগদবা মওংদা থবক তৌদবনা অশিবশিংগী মশিং হোংলকপা য়াই হায়না মহাক্না এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

মমাঙদা মফম খরদা গ্রুপ অনীমক্কী ফাইটরশিং পূনশিন্নরগা অফঘান ফোর্সশিংদা এটেক তৌখিবগী থৌদোক অহুম লৈখ্রে হায়না অফঘান সিক্যুরিটি সোর্ছশিংনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

টালিবানগী স্পোক্সমেন জাবিহুলাহ মুজাহিদনা এ এফ পিদা গ্রুপ অসিনা মির্জৱোলাং ভিলেজ পায়শিল্লে হায়বসি কনফার্ম তৌখি, তৌইগুম্বসুং মদু মখোয় মথন্তনা পাঙথোকপা থবকনি হায়খি। মখোয়না মীচমশিং হাৎখি হায়বা ৱাফম্বসু মহাক্না য়াখিদ্রে।

# য়ু এসনা ড্রাফট তৌবা য়ু এন সেঙ্কসনশিং নোর্থ কোরিয়ানা কন্দেম তৌখ্রে, য়ু এসকী প্রেসরদা ন্যুক্লিয়র নিগোসিয়েসন তৌরোই হায়খ্রে



পিয়োংয়াং, ওগষ্ট ০৭ :
য়ুনাইটেদ নেসন্সকী অনৌবা অকনবা অথিংবশিংনা নোর্থ কোরিয়াবু ন্যুক্লিয়র খুৎলাইগী পুক্কে শাগৎনবা হোৎনরিবসি লেপহনবা ঙম্লোই হায়না পিয়োংয়াংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা খোইরাং খোইশাওননা ফোঙদোকখ্রে অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কিহল্লগা ৱারী শানগদবা নৎতে হায়খ্রে।

হৌখিবা চয়োলগী অরোইবদা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা মোত অমৎতা ওইনা য়ানখিবা য়ু এসনা ড্রাফট তৌবা সেঙ্কসনশিংদুগী অহানবা পাউখুম ওইনা নোর্থ কোরিয়ানা ৱাফমশিংসি ফোঙদোরকখিবনি। য়ু এসনা ড্রাফট তৌবা সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলুসন অদুনা নোর্থ কোরিয়াবু চহী অমদা দোলর বিলিয়ন অমগী ইনকম মাঙহল্লগনি লোয়ননা চাইনাগা লৈবাক অসিগা লৈনরিবা য়াম্না মরুওইরিবা শেল-থুমগী মরীশিংদা পনখৈ লাক্লগনি হায়রি। অথিংবশিং অদু ঐখোয়গী সোভরন্টিবু শাথীনা খোঙ্গাওনবগী থৌওং অমনি হায়না ওফিসল কোরিয়া সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সিনা ফোংবা পিয়োংয়াংগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি। ৱাশিংটননা কিহল্লকপা য়েংলগা ঐখোয়না ঐখোয়গী লৈবাক ঙাকথোকচনবগী ন্যুক্লয়র ডিটরন্টগী মতাংদা ৱারী শানবা তৌরোই হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি। ‘‘ঐখোয়গী ন্যুক্লিয়রগী পাঙ্গল হেন্না মতিং হাপ্পবা হোৎনবদগী ঐখোয়না খোঙফম অমৎতা হন্দোক্লোই।’’

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু নোর্থ কোরিয়াগী মায়োক্তা লংশিল্লিবা ক্রাইমগী মমল শরুক লীশিং কয়া হেন্না শীংহনগনি হায়না পিয়োংয়াংনা কিহনখি।

নোর্থকী ষ্টেটমেন্ট অসি লৈবাক অসিগী ফোরন মিনিষ্টর রিয়োং-হোনা ফিলিপিন্সকী কেপিটেল মনিলাদা সিক্যুরিটি ফোরম অমদা শরুক য়াননবা লৈরিঙৈদা ফোঙদোরকখিবনি। রি য়োং - হোনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, চাইনা, রশিয়া অমসুং এসিয়া-পেসিফিক্কী অতৈ লৈবাকশিংগী টোপ ডিপ্লোমেটশিংগা লোয়ননা ফোরম অদুদা শরুক য়ামিন্নগনি।

য়ু এসকী সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা নোর্থ কোরিয়াগা য়াম্না থুনা ৱারী শানবা য়াবগী ফিভম লৈতে হায়বগা লোয়ননা অনৌবা সেঙ্কসনশিং অদুনা মালেম পূম্বা পিয়োংয়াংনা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই প্রোগ্রাম লেপ্তুনা পায়খৎলকপগী ফিভমদা খাংদুনা লৈবা ঙম্নদ্রে হায়বসি উৎলি হায়না ফোঙদোকখি।

ফোরম অদুদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা টিলরসননা হায়খি, পিয়োংয়াংনা বলিষ্টিক মিসাইল প্রোগ্রাম লেপ্পবা মতমদতা ৱাশিংটননা ৱারী শানবগী ৱাফম খন্নগনি।

নোর্থ কোরিয়ানা ৱারী শাননবা শেম-শারে হায়বগী খ্বাইদগী ফরবা ইঙ্গিৎতি মিসাইল চাংয়েংশিংসি লেপ্পনা ওইগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

টিলরসননা মতাং অমদা য়ু এসকী পাউখোলোইশিংগা মালেমদগী তোখায়না তারবা পিয়োংয়াংগী রেজিমগা ৱারী শানবা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি, তৌইগুম্বসুং মহাক্না নোর্থ কোরিয়ানা মতম কয়াম শাংনা অশানবা মিসাইলশিং মখা তানা চাংয়েং তৌবা লেপকদগে হায়বদুদি পনখিদে।

কনামক্তদা ঐহাক্না তাংদাংবা নুমিৎ নৎত্রগা চয়োল মশিং পীরোই। থাঙ্গৈ শেংনমক মসি ৱারী শানবগী স্পিরিটনি হায়না টিলরসননা ফোঙদোকখি। টিলরসননা ৱাফম অসি নোংমাইজিং নুমিৎতা রি অমসুং মহাক্কী সাউথ কোরিয়াগী লেংমান্নবা কাং ক্যুন-ৱাগা ফোরন মিনিষ্টরশিং ৱেলকম তৌবগী দিন্নরদা য়াম্না তাঙনা ৱারী শানখিবা মতুংদা ফোঙদোরকখিবনি।

# ইজরেলনসু কটরগী অল-জজীরা মীদিয়া নেটৱার্ক থিংজিন্নবা থৌরাং তৌখ্রে

জেরুসালেম, ওগষ্ট ০৭ :
কটরগী ফ্লেগসিপ অল-জজীরা মীদিয়া নেটৱার্ক ইজরেলদা ওপরেট তৌহন্দনবা লৈবাক অসিনা থৌরাং তৌরি হায়না ইজরেলনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

তোঙানবা পোলিটিকেলগী ওইবা য়েৎনবা অমদা ব্রোদকাষ্টর অদুবু থিংজিনখ্রবা অতৈ অরাব লৈবাকশিংগী থৌওংদা য়াওশিল্লদুনা অল-জজীরাবু ঈৱাং থোক্নবা শিল্লি হায়না মরাল শিরদুনা ইজরেলনা মীদিয়া নেটৱার্ক অসিবু থিংজিন্নবা থৌরাং তৌরকখিবনি। অমরোমদা ন্যুজ ওর্গনাইজেসন অসিনা খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা লিগল এক্সন লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইজরেলি কম্যুনিকেসন্স মিনিষ্টর অয়ূব কাজনা হায়খি মদুদি, অল-জজীরাগী জর্নেলিষ্টশিংবু ইজরেলদা ওপরেট তৌবা য়াহন্দনবগীদমক্তা মহাক্না মখোয়গী প্রেস ক্রিদেন্সলশিং ওফিসল ওইনা কক্নবা থৌরাং তৌরি। অয়ূবনা মখা তারদুনা হায়খি, মহাক্না কেবল অমসুং সেটলাইট নেটৱার্কশিংদা অল-জজীরাগী ট্রান্সমিসনশিং থিংনবা খঙহনখ্রে অমসুং মীদিয়া নেটৱার্ক অসিবু পূমথিং থিংনবা লেজিসলেসন অমা পুথোক্নবসু হোৎনরি।

প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুগী লিকুদ পার্টিগী মেম্বর অমা ওইরিবা মিনিষ্টর অসিনা অসিগুম্বা খোঙথাংশিং লৌখৎনবগী থোইদোকপা মতম পীখিদে।

অদুম ওইনমক হারেটসতা ফোংবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না, অসিগুম্বা অথিংবা অসি শোয়দনা লৌখৎলগদবা খোঙথাং অমনি হায়বদি লৈতে, মরমদি মসি অয়ূবনা নৎত্রগা প্রেস ওফিসনা য়েংশিল্লগা ৱারেপ লৌগদবা এরিয়া ওইদে। সিক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা অসিগুম্বা খোঙথাং অমা রেকমেন্দ তৌবা চঙই। মদুগী মতুংদা হিয়রিং অমা পাঙথোক্কদবনি।

মসিদসু নৎতনা, ইজরেলগী কেবল কম্পেনিশিংনা খোঙথাং অসি মীয়ামগী অপাম্বনি হায়না লৌদুনা মখোয়না শৌগৎকনি হায়না ইঙ্গিৎ পীবসু লৈতে হায়না হারেটসকী রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

গভর্নমেন্টকী প্রেস ওফিসকী দিরেক্টর নিটজন চেননা হায়খি, সিক্যুরিটি ওফিসলশিংগী মীৎয়েংদা ষ্টেটকী সিক্যুরিটিদা খুদোংথীবা থোকহন্নিঙাই ওই হায়না লৌরকপা মতমদা প্রেস ক্রিদেন্সলশিং ইসূ তৌবা লেপই নৎত্রগা থিংজিল্লি।

মরম অদুনা ঐহাক্না সিক্যুরিটিগী ওফিসলশিং কন্টেক্ট তৌখ্রে অমসুং অল-জজীরা মীদিয়া নেটৱার্ককা মরী লৈননা প্রোফেস্নেল ওপিনিয়ন অমা পীরক্নবা হায়জখ্রে হায়না নেটজননা মখা তাখি।

# চাইনিজ টুরিষ্ট অনী হিটলর সেল্যুট তৌরুবগী বর্লিনদা ফাজিনখ্রে

বর্লিন, ওগষ্ট ০৭ :
রাইচটাগ পার্লিয়ামেন্ট বিল্ডিংগী মমাঙদা লৈবা ফোটোশিংদা পাম্বোম শাংনা তিংথোকপা হিটলরগী সেল্যুট পীরুবগীদমক্তা চাইনিজ টুরিষ্ট অনী পুলিসনা ফাজিন্দুনা থল্লে হায়না পুলিসকী স্পোক্সপর্সন অমনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

লমকোইবা লাকপা মীওই অনীদু ওফিসরশিংনা থাংজ নুমিৎতা রুটিন পেট্রোল অমা পাঙথোক্লিঙৈদা জর্মন কেপিটেলগী ময়াই চবুক্তা লৈবা পুৱারীগা শাগোন্নবা বিল্ডিং অদুগী মপানদা স্মার্ট ফোনশিং শীজিন্নদুনা অমনা অমগী অথিংবা থমখ্রবা সেল্যুটপীবগী পিকচর লৌনরম্বা থেংনখিবনি।

চহী ৩৬ অমসুং ৪৯ গী লেঙ্গাশিং ওইবা চাইনিজ নুপা অনীদুগী মায়োক্তা লৈপাক্কী কনষ্টিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা ওর্গনাইজেসনশিংগী সিম্বোলশিং শীজিন্নরম্বগী চিংনবদা য়ূম্ফম ওইরগা প্রোব অমা চথবা হৌখ্রে হায়না পুলিস স্পোক্সপর্সন অদুনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

মীওই অনীদু লোকল পুলিস ষ্টেসন অমদা ৱাহং পাউহং তৌখি অমসুং অমমমনা য়ুরো ৫০০ (দোলর ৫৮৯) গী বেল পীরবা মতুংদা থাদোকখি।

ফার-রাইট গ্রুপশিংগী মেম্বরশিংগী মায়োক্তা তোইনা তৌবা চার্জ অমা ওইরিবা কনষ্টিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা ওর্গনাইজেসনশিংগী সিম্বোলশিং শীজিন্নবা হায়বসি চহী অহুম জেলদা থম্বগী চৈরাক ফংহনবা য়াই নৎত্রগা ফাইন থীহনবা য়াই হায়রি।



পুলিসকী স্পোক্সপর্সন অদুনা হায়খি মদুদি, ইনভেষ্টিগেসন চৎথরিঙৈ মনুংদা মীওই অনীদু লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎপা য়াগনি। করিগুম্বা মখোয়বু ফাইন থীহনবগী ফিভম লাক্লবদি মদু মখোয়না হান্না পীখিবা বেলগী শেনফমদুনা কোন্নবা য়াই।

# জর্মনিনা গ্রীসতা মাইগ্রেন্টশিং হলহনবা হৌরগনি

বর্লিন, ওগষ্ট ০৭ :
জর্মনিনা লৈবাক অসিদা চঙজফম লৌনবা হোৎনরিবা মপানদগী চেল্লকপা মীওইশিং গ্রীসতা অমুক হন্না থাননবা ৱারেপ লৌখ্রে। লৈবাক অদুদা হাংলিবা রিসেপ্সন সেন্টরশিং মী কা হেন্না চিনবগী ফিভম লৈরবসু অমসুং ক্লেম ময়াম অমা প্রোসেসিং লোইশিনবা ঙমদনা লৈরবসু জর্মনিনা থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

কুমজা ২০১১ দা লৈবাক অসিগী কনষ্টিট্যুসনেল কোর্ট অমনা পীখিবা রুলিং অমগী মখাদা জর্মনিনা অসুম্না মাইগ্রেন্টশিং হলহনবসি লেপখিবনি। তৌইগুম্বসুং ঈ য়ুগী দবলিন কনভেন্সনগী মখাদা লৈবাক অসিনা মাইগ্রেন্টশিং হলহনবা ঙমই হায়রি।

কনভেন্সন অদুনা হায়রি মদুদি, মাহগ্রেন্ট অমনা ঈ য়ুদা অহানবা ওইনা চঙলকখিবগী ফিভমদা মহাক্না চঙলিবা লৈবাক অদুদা চঙজফম পীবা য়াবগী ক্লেম অদু প্রোসেস তৌগদবনি।

মাইগ্রেন্টশিংদা চঙজফম পীবা য়াবগী পোলিসিদা অহোংবা লাকপগী মতাংদা গ্রীসকী মিনিষ্টর ১ অমসুং জর্মন ওফিসলশিংনা এ আর দি টিভিদা শন্দোক্না ফোঙদোকখি। গ্রীক মাইগ্রেসন মিনিষ্টর লোনিস মৌজালাসনা হায়খি, গুদৱিল উৎপগী ফিভম অমদা মহাক্কী লৈবাক্না চঙজফম থিবা মীরৈবাক মচা খরা লৌশিনবগী ৱাফম য়ারে। হিরম অসিগী মতাংদা ঈ য়ুগী লৈবাক খরনা মখোয়দা অসুম্না তৌনবা প্রেসর পীরকখি।

জর্মন ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা জর্মন ব্রোদকাষ্টর অদুদা হায়খি মদুদি জুলাই থাগী অরোইবা ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিনা গ্রীসতা চঙজফম থীবা মীওই ৩৯২ লৌশিন্নবা হায়খি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না, গ্রীসতা মাইগ্রেন্টশিং হলহনবগী খোঙথাং অদুনা ২০১৭ কী মার্চ থাখায়দা জর্মনিদা থুংখিবা মাইগ্রেন্টশিংদমক শোকহনগনি।

হৌখিবা ২০১৫-১৬ তা জর্মনিনা মাইগ্রেন্ট অমসুং রিফ্যুজী ৮০০,০০০ হেন্না লৌশিনখি। মখোয়গী মনুংদা মীওই কয়াদি অফঘানিষ্টান, ইরাক অমসুং সিরিয়াদগী লাঞ্জেল্লক-খিবশিংনি। মতমদুদা শেল-থুমগী অৱাবা লৈখিবা গ্রীসনা রিসোর্ছ মরাং কায়না লৈতে হায়রদুনা টর্কিদগী হী তোংদুনা লাকখিবা মাইগ্রেন্ট ময়ামদু লৌশিনবা ঙম্লোই হায়না কমপ্লেন তৌখিবনি।